ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, সেপ্টেম্বর ২২, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৭৯শুবা মশীং

# ৱর্ল্ড কার-ফ্রী দে

## *মীপুম খুদিংমক শরুক য়াবগী তঙাইফদবা*

**চহী** খুদিংগী সেপ্টেম্বর ২২ দা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা 'ৱর্ল্ড কার-ফ্রী দে'গী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা থিংনবা অমসুং নোংমত্তং ওইরবসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নুমীৎসিদা মীয়াম্না থবক-ইনখাং চৎথোকপদা সাইকল থৌদুনা অমদি খোঙনা চৎতুনা নোংমত্তং ওইরবসু অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা থিংনবা থৌরাং লৌখৎমিন্নগদবনি হায়বা পান্দম থম্লি। কুমজা ১৯৭৩ দা থাউ ফংনদবগী অচৌবা ৱাথোক অমা মালেমদা থোকখিবা মতমদা থৌরম অসি পাঙথোকপগী ৱাফম পুখৎনরকখ্রবসু ময়েক শেংনা ৱারেপ লৌখিবগী কুমজা ১৯৯৪ গী ওক্টোবরদা স্পেনগী টোলেদোদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল এসেসিবল সিটিজ কনফরেন্সতনি। ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং চহী অনী লৈরগা আইসলেন্দগী রেকজাবিক, য়ুনাইটেদ কিংদমগী বাথ অমসুং ফ্রান্সকী লা রোচেলদা ইহান হানবা ওইনা 'কার-ফ্রী দে' গী থৌরম পাঙথোকখি। মদুগী মতুংদা থৌরম অসি মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকহন্নবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৯৫ দা ৱর্ল্ড কার ফ্রী দে কন্সোর্টিয়ম পাঙথোকখি। কুমজা ১৯৯৭ তনা বৃটেনগী ইনভাইরনমেন্টেল ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন্না লৈবাক শিনবা থুংনা থৌরম অসিগী কেম্প্যেন পাঙথোকখি। ওল্লকপা চহীদা ফ্রান্সনা নোংমত্তং ওইরবসু কার থৌদনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না কুমজা ২০০০ দা য়ুরোপকী মফম শিনবা থুংনা 'কার-ফ্রী দে' অমসুং 'ৱর্ল্ড কার ফ্রী দেজ কোলাবোরেটিভ'না খুৎশম্নরগা মালেমগী মফম পুম্নমক্তা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। হৌজিকমক্কী ওইনা থৌরম অসি খ্বাইদগী চাউনা পাঙথোকপদি বোলগোটাদনি। কুমজা ২০০০ গী ফেব্রুৱারিদা ইহান হান্না পাঙথোকখিবগী মতুং তারকপদা পব্লিক রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্তুনা চহী খুদিংগী "কার-ফ্রী দে" পাক শান্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০০৭ কী সেপ্টেম্বরদা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকার্টাদা "কার-ফ্রী দে" পাঙথোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা নোংমাইজিং নুমীৎ খুদিংগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইজরেলগী টেল নভিভ; য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পোর্টলেন্দ অমদি ওরেগোন; জপান অমদি বৃটিশ কলম্বিয়াদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি। নুমীৎসিদা বাইসাইকল থৌবা অমদি খোঙনা চৎপা মীওইশিংনা লম্বীদা অপনবা অমত্তা য়াওদনা মনিং তৌনা চৎপা ফংই।

সেপ্টেম্বর ২২ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা "ৱর্ল্ড কার-ফ্রী দে"গী কান্নবশিংদি নোংমত্তং ওইরবসু নুশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহনবা, ট্রাফিক জাম থোকহন্দবা, থবক চৎপদা থুনা য়ৌহনবা, মহৌশাগী ফজবশিং য়েংবা ফংহনবা অমসুং শেল তিংহন্দবনি। লন্নাই গাড়ী শীজিন্নবা তোক্তুনা বস অমদি পব্লিক ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নবা মতমদা পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহল্লি। মালেমদা নোংম-নোংমগী শাবা হেনগৎলকপগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা গাড়ী মশিং হেনগৎলকপা হায়বসিসু অমনি। শাবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা নোংমত্তং ওইরবসু এঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং থৌদনবা ফিরেপ লৌমিন্নবা মথৌ তাই। মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোংথিবা থোকহল্লক্লিবসি মালেমদা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থৌওং অসিনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা থিংলবদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিং য়ামদ্রবদা চহী ৪ রোম পুন্সি শাংদোকহনবা ঙমগনি হায়রি। দব্লিয়ু ঐচ ওনা শেল থাদরগা য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগোগী এনর্জি পোলিসী ইনষ্টিট্যুটনা চথখিবা ষ্টদিগী "এ রোদমেপ টুৱার্দস ক্লিনিং ইন্দিয়া'স এয়র" হায়না মিংথোনবা রিপোর্টনা হায়, নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী লৈবাক অসিদা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা শিরি। থম্মোয়গী লায়না, দাইবেটিস অমসুং লংসকী অনাবা ওইহল্লকপা মরম্না য়ারিবমখৈ ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহন্দনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া ঙসি নোংমত্তং ওইরবসু এঞ্জিন পানবা গাড়ী থৌদনবগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা "ৱর্ল্ড কার-ফ্রী দে" গী থৌরমবু ঈশিং-নুংশিৎ শেংহন্নবগী মায়কৈদা লৌখৎপা অহানবা খোঙথাংনি হায়না লৌফম থোকই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### কৈদৌঙৈ ওইদৌরিবা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লমদমসিগী** থবক থৌরম খুদিংমক বোম্না হৌরগা পোল্লাওবীনা লোইবা মসিগী থৌদোক অয়াম্বনা অদুমক ওইরবনি। চিনগী ৱাসিদি ঙাইহাক্তংদা যম রাজগী মনাক চৎতুনা ঙসি হয়েংগী মনুংদা মশক নাইবা ইরমদমগী করম্বা মীওই শিগদগে? মসিমক হংলুবা য়াবনি। ৱাখলনা শাবদা ঙমদবা লৈতে। মীকুপ অমগী মনুংদা নিংথৌ ওইবা ফাওবা য়ারিবনি। ৱাখলনা শাদুনা মোন্দ্রং তোইনা তৌবা মসিমা করিগুম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমা শোয়দনা শীজিন্নরমগদৌরিবনি। নোর্মেলদা লৈবা মীওই অমদদি মোন্দ্রং ঙাইহাক তৌরুরবসু কান্নদে খন্দুনা তৌনদ্রবনা মশীং অয়াম্বনি। মোন্দ্রংগী ৱারীসিদি শুনীংদবা মীওইনা খরা হেন্না লৈরবনি। শেন্দোং হেন্না ফংবা পাম্বা মীওইনা মশীং হেল্লকপা মরম্না তাঙলবসু তাঙনা শীজিন্নদবা য়াদবনিনা খঙনা-খঙনা, উনা-উনা অদুমক লৈনরবনি। কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭তা চঙশিনখিবা চাক্লাম খোঙচৎতু মতমদুদা চেঙ কিলোদা লুপা কয়া পীখি। হৌজিক্লা কিলোদা কয়া? ফনা থীনা খেন্নবা হায়বদুমা ওইরবনি। অসুক য়াম্না তাঙলবা মতমসিদনা চেক-মুক লাউদনা তাঙলবসু তাঙনা লৈনরি। মসিদা কনানা অথিংবা পীরিবগে? কনা অমতা লৈতে। মথংগী লৌরোক থাদনা চেঙ কিলোদা লুপা কয়া য়ৌদৌরিবা? তাথবগী ৱাদি থাজদ্রে। মতম অমদা তল চাবা ইমুংদু লায়রবগী পনখৈদা হিংদবা য়াদবদগী চেঙনা মমল হেনবদগী য়াম লৈদুনা নোংমগী জিবিকা ওইনবা হোৎনরম্বা পূম্নমক অদুসু য়ামগী মমল চেঙগা মান্নরকপনা তলদি ইচাবু চানদ্রে হায়বদা কায়দ্রবনি। য়াম লৈদুনা চাবা হৌজিক্কী ইমুং হন্থনা খল্লম্বদগী ষ্টেন্দর লৈবা ওইনা লৌনখৎলক্লবনি।


নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া নোংমা নোংমগী মমল ৱাংখৎলকপনা হিংবদা তুরোই-ঙামলোই তৌনা হিংদবা য়াদবদগী হিংবা মীওই কয়া পেঞ্জদবা অমদি অদুমক ওইনরবনি। পেঞ্জদবনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপদা মমৈদা ইরমদম লমদম লমনুংশি করি ওইরক্কদৌরিবা? চফু-উয়ান মীরাং থুগেরা থুরোইরা? মানা ঙল্লগা ঐদি করিগী ঙমদনি মসিমক্কী থৌনাদা শীংলি পাবল থোকপমখৈ ঙম্ননবা হোৎনবদা ওল্লকপা চহীদা ময়ূম ইঙ্খোল য়োম্থোক্তুনা অথাপ্পদা চৎখিবা, অসুম-অসুম হেনগৎলকপা নত্তনা করি ওইরক্কদৌরি? ঈথক-ঈরাংদা নুংঙাইবা মতোইনা পাল্লবা নমদনা নমবো পোরগা খুল লান্দৌরিবনি। ৱাথোক অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোক্তবা হায়বসি লমদমসিগী খ্বাইদগী হৈনরবা থাদোকপা য়াদনা লৈরগদবা ওইদৌরিবনি। অসুক য়াম্না অৱাবা কয়া অমা মায়োক্নদুনা লৈনরিঙৈগী মতমসিদা চৈরাকপু থওইদবা মীওই খরনা অনীংবা অপাম্বদা মীয়াম্না তৌনদবা থবক কয়া তৌরকপা মথৌনা লৈতে করম্না হায়গনি। থৌনা লৈবা অমসুং লৈতবা হায়বসি মানা ঙমগদবা অদুতদা মথৌনা মরিংজেল লৈনা তুরৈ-ইরৈ চেনবগী ৱাখল য়াওরোইদৌরিবনি। তল্লগা তল চাও, তল্লবদি তোকচৌ হায়বগী ৱাহন্থোক মতমসিগদি চানবা ৱাৎলবনি। ফুরন কাংকোক শাবা থৌদোক ৱাথোকসিনা পুংচাই চাইরক্লবনি। য়াইতোং খমদোংবশিংনা মীয়ামগীদমক খনগদবদা থওই ৱাওইদনা নিঙাইদনা লৈথোক্লগা মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ লাক্লবা কান্দদা থবক ওইনা ওন্থোরকপসিদি তৌদে করম হায়গনি।

ইচা খঙদে মীচা খঙদে ৱারক ৱাতেম্বদা থওই ৱাওইদবগী থৌশাদবগী হৈনবী অমা লৈখৎলকপা তাথগদবা নত্তে হেনগৎলক্কদবনি। পূম্নমকসি কদায়দগী করম তৌনা লাক্লিবা? থক-খা ওন্ননা লৈমিন্নবা হায়বসিতবু ইমুং অদুমা মওং-মরীল তারক্কদবা লৈত্রবনি। তাইবঙ মীওইবনা খ্বাইদগী চেকশিনগদবসি অতৈ নত্তে - ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সিসিনি। মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈত্রবনি। নুংঙাইবা হেনবদগী চাননবা লৈতবা মসিসু তাদনবা হোৎনগদবনি। য়ানীংদবা থবক্তা কৈদৌনুংদা মতুং ইনগে খল্লোইদবনি। মদুদা তুং কোইনা ফগদবা করিসু লৈরোই। নঙনা তৌরিবা অরানবা থবক কয়াদুগী ফল নঙনা হিংলিঙৈ মনুংদা শোয়দনা থেংনদনীংঙাই লৈরোই। মঙদা সনরিক শিবা লৈচিন্দা তেন কাপ্পা মসিমা কান্নগদবা নৎত্রবনি। চৈরমদা থোংখোঙ শাবা মীগী মখল নোংমা নোংমগী য়ামথোরকপনা মমৈদা পুবা থাংবা ঙমদবা ময়াম অমা পামদ-পামদনা মায়োক্লগদৌরিবনি। খুদোংথীবা অমগী মথক্তা খুদোংথীবা অমমক মায়োক্লবা মসি ঙাক্তা ওইগদৌরিবনি। নোং ফজনা তাউ, ঈশিং চাওহনবীগনু, লৌবুক্কী ফৌথোক মরাং কায়হনবীয়ু। গভর্ণমেন্ট পায়বীরিবা ঐখোয়গী মীহুৎশিংদা অৱাৎপা লৈহন্দনা হন্দক্কী লৈঙাকসিদি ফৈদকো মসিমক হায়নবগী মতাংদুমা কৈদৌঙৈদা ওইদৌরিবা?

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংমা মমাঙ, ইম্ফাল*

# লৈশাবী নম্ফা ফাহনবা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



**নহান** লুহোংবা অমা চৎলুই, লুহোংলিবী কৈন্যা অদু কৈন্যা ওইনা উবা ঙমদে, অঙাং মচা লুহোংবী শান্নবা মাল্লি। নুমিৎ খুদিংগী চরা ৱাল্ল-ৱাল্লগা চারিবী অঙাংনি হায়নৈ লুহোংফমগী ৱারীদা। লুহোংবা চৎলুরগা য়ূমদা নুমিদাং চাক তোল্লগা ফমুংদা লোংনা হিপ্না হিপ্না ৱা অমা নীংশিংলকই। মরুপ সনসম ধিরেনগী নাইতোম শাৎপী ক্লাস ফোর তম্লিবী মচানুপীগী মতাংনি। ধিরেনগী মচানুপী চনচল অসি মশাগী চহী মাপনখত্তগা ঙাইরি। মমা অশালাতা অসিনদি চনচলবু তিংখৎ তিংখৎ চৈবদা নৱা নাইখ্রোনহে, নৱা নাইখ্রোনহে হায়বা মীতৈলোনগী য়াম্না ফজখিদ্রবা ৱাহৈ ৱাতা অসি শীজিন্নৈ। নাইখ্রোনহে হায়বা ইথোকপদা ফাওবা তল্লবা মীতৈলোনগী ৱাহৈ অসি য়াম্না ফজখিদ্রবা ৱাহৈ ৱাতাশিংগী মরক্তা মাঙজিল থারপ চৎপা ৱাহৈ খোন্দাশিংগী মরক্তা অমনি। অসুম্বা ৱাহৈ অসিবু চরা ৱাল্ল-ৱাল্লগা মপুক থন্না চাজরগা শান্নজরিবী মচানুপী অপীখক অসিমক্কী মফমদা ওখাক পাম্না শীজিন্নরিবা অসিগী মহয় অমদি লৈফম থোক্ত্রা?

চহী মাপন শুই হায়রিবা অসিসু মপুং ফানা শুদ্রি হায়না কুঠি য়েংবা মপুবোক মেরাজাওনা নহান্দা ৱারী শাবদগীসু খঙলি। অমহিকসুং পলেম অসিনা চুম্না চৈবোই নীংলম্মী ঙরাংদি চান্ননা হেক্তা খঙলে মাগী মচানুপী অসিদা পুরা মচিন্না থোক্লা চৈবনি হায়বসি।

লৈকায়গী নুপীমচা লৈশাবী অমা হেক লুহোংগদৌরে তাবগা করি পোৎপাং পাংজৌগে, তেক পাংঙুরা, কোরফু পাংঙুরা, অলমিরা পাংঙুরা, ফমুং পাংঙুরা, সনাবুল পাংঙুরা অসিনি মাগী অশালতা হায়বী অসিনা তৌরিবসি। হন্দক্তগী ৱাসু নত্তে ফনা মকুইরে মানা ঈরাং ফরক্লিবা। অসি তৌদুনদি ঐনা মখা তারক্কে তৌজরিসি- মাগী মচানুপী অসিবু মমা ঈরাংজাওবী অসিনা লৈশাবী নম্ফা ফাহনদৌরে।

ক্লাস ফোরদা কারিবী অসিগীনি মানা হৌজিক্তগী হৌনা লুহোংবগী পোৎপাং পাংবা হৌরিবসি। মচানুপী অসিনা ৱাখল তাদ্রগনা তাদ্রে, মচানুপী অসিনা ৱাখল তারবদি ঐখোয় ইমানা পোৎপাং পাংলিবা ময়াম অসি ঐহাক্কীনিকো, ঐবু লুহোংবিবা কান্দা অমুক পোৎপাং হল্লক্নবনিকো হায়না অঙাং অসিগী মকোক মচাসিনা কোক খনখ্রো অদো করিনো মসিদা ফগদৌরিবসি? অঙাংনা মৌগী ৱাখল খলহন্নবা মরূ ইহুন তম্বা ওইনা থোক্কনি। লাইরিক লাইশু কন্না তমজহৌগদবা তাঙলবা অঙাং ওইবগী তাঞ্জা অসিদা নারোন্দা শ্রীনগর রাস হায়জিল্লক্ক বগী লম্বী পীবনি। ওন্থোক্লা ঙাইঙমদবদগী মওংনি হৌজিকালগী মমা মপানা তৌরিবা কৈদা অসি।

নুপীমচা অমনা লাইরিক তম্নবগী ফংলিবা চোইনৌ খুদোং (গোল্ডন চান্স) অসি চিনি হৈবিদৌনা লীকপজাৎনি। অসুক চির' তাঞ্জা অসিবু মমা পলেম অদুনা লুহোং পোৎপাং পাংথোকপা ঙন্তা হৌদুনা য়ূমলেপ চারাগী মঙলান অদু পোমশাৎনরিঙৈদা ঙন্তানা ফাওহনবিরে। পলেম ওইবী মাগী মরাল চাউনা লৈরোইদ্রা হে অপাবা নহাকসু অমুক্তংদি হায়বিয়ুগবা?

মতম অসিদা নুপীমচা নুপামচা অমবু নমদুনা পাখং লৈশাবী নম্ফা ফাহননবা লম্বী য়াম্না থোরক্লে। নোংমা কাংদনা রিলিজ তৌরক্লিবা মমি কুম্মৈ ময়াম অসিদা ঙাংনরিবা ৱাঙাং শঙাং অসি নুঙাই নুংঙাইরবা রোমান্স অয়ৌবী থাক ৱাংবা য়াম য়াওরি, য়ক য়ক লাওবী নাকোং মেনশিনগদবদা ঙাইরবা কয়ানি। হা হা হা!!! ইমুং অসি রেষ্টুরেন্টকবু হেক মাল্লিবনি দি ভিদিদা ফিল্মগা থারম্লবদি। ফিল্মশিং অসিগী শুক্ষ্মৎলবা নুংশি নুংঙোলগী চিরোল ৱাহৈশিং অসিনা য়াই থাদুনা অঙাং নুবী লোয়না শুম্মবনি। মদু য়েংলু তারুরগা লৈশাবী পাখং থুনা ফানবগী ইনোৎ হাপ্পী, ইথক হৌরে, ইৱাই ইনিল লৈরে, লাইরিক লাইশু চঙনদ্রে।

মীতৈলোলগীসু, কোরিয়াগীসু, টামিলগীসু, হিন্দুগীসু, ইংলিসকীসু ফিল্ম অমত্তং হেক য়েংলুবদা অঙাংদু লৈশাবী খঙফা ফারে, পাখং খঙওই ওইরে। হৌজিক্তি মোবাইল ফোন লৈরে, ফিল্ম লৈরে থুনা পাখং লৈশাবী ফানরে। অয়াম্বা নুপীমচা, অফবী নুপী মচা অমা ওইবা য়াম ৱারে।

ঈশৈসু ব্রেক য়াওদ্রে, ময়েকসু ব্রেক য়াওদ্রে হায়নিং হায়নিংবা হায়রে লৈশাবী ওলহনবদা মতেং য়াম ওইরে। পুথোক্নরিবা ফিল্ম খঙদে ঈশৈ খঙদে অঙাংগীদি ইয়াও য়াওদ্রে, অহলগী ঙাক্তা ওইরম্লে, কৈথেলদা অঙাংগী ফিল্ম উবা ইফং ফংদে। পোৎলমশিং অসিনা অঙাংবু মৌগী শিংদা চলহন্নবা পাড়া তম্বীদুনা ঙন্তা ঙন্তা লাইরিক তমনিংহন্দ্রে।

থওইনা থিজিল্লুবদগী খঙদ' ৱানি লুহোংবগী চহী ফিল্মনা ফনদি ঙনখৎনহল্লম্লগনি। লাইরিক লাইশু ফজনা মমিৎতা উবা ফংলম্লোইদৌরিবনি। ময়াম চঙদনা লৈশাবী ফাহনখিবগী মহয়নি।

# মোব জষ্টিস তৌরকপা কুইরে

## নবকুমার ওইনা

**মোব জষ্টিসসু** জষ্টিস অমনি। জষ্টিস ইজ নোট দি ক্রুথ হায়রিবনি। ঙসি ফাওবদা কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট কয়াদা অরানবা ময়াম য়াওরম্বা য়াই। মীনা তৌবা থবক্তা জজমেন্ট ফাওবা অরানবা কয়া য়াওরিবসি মীওইবগী থাক অমা উৎলিবনি। দি ক্রুথ হায়বদু কোর্টশিংদা শীজিন্নবা ঙম্বা নৎত্রি। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ৱাথোক লৈরিবসিনা তাক্লিবসি মীওইবনা অচুম্বা হায়বদু লোয়নমক খঙবা ঙম্মিন্নবা (ঙমদে খঙলবসু) নৎত্রিবনিনা মোব জষ্টিস অদুমক লৈখিগনি। মোব জষ্টিসনি হায়বা অমদা মী শিখিবা য়াওরকপদা মীয়াম অমনা য়ানীংদে হায়না থোক্লকপা অদুসু মোব জষ্টিস ওইগদৌরিবনি। মোব জষ্টিস অমনা চেন-রিএক্সন ওইরকপা অঙকপা নত্তে, হ্যুমেন নেচরনি। ফত্তে, খঙমিন্নবা চঙই।

মণিপুরগী পুৱারীদা অঙৌবা শাকোক তাখিবদা সাহেব মঙাগী কোক কেনখিবদু মোব জষ্টিস অমা ওইনা লৈখি। মীয়ামদা অথিংবা পীখিদবা থাঙ্গাল জেনরেলবু চৈরাক পীখি। ঙসিনা বৃটিশকী মতৌ তমদুনা মীয়াম মরক্তা চৈরাক পীনবা থৌরাং তৌরি। অপিকপা ফুরুপশিংনা মশাগী হক কঞ্জনবা লাউবা-খোংবা ঙমদনবা নমথবদা লো ওইনা পানশিল্লগা মোরেল দাউন তৌনবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপসু য়ারি। সিফাই খরনা অহিং অথেংবদা লৈশাবী অমা পুথোকখ্রগা শারাক তম্লবা মতুংদা হাত্তোকপীরম্মী। মসিসু সিফাইনা তৌবা মোব জষ্টিস অমনি হায়না লৌবা তাবনি, হায়বদি সিফাইসু মোব জষ্টিস শীজিন্নৈ। মসি ইনি দয়াদদি চৎনবী লো ওইরিবনি। মীয়াম্না তৌবনা য়াদবা, খূৎলায় পায়বশিংনা মখোয় খরগী ৱারেপ্পুগী কৈথেল ময়ায়মক্তদা মী অমা-অনী হাৎপা ঙম্বা হায়বসি খূৎলায় পায়বনা তৌবা মোব জষ্টিসনি হায়গনি, হায়বদি লোগী ৱাংমদা মীওই খরনা তৌবা থবক্তা মী মশীং অসুক শুগদৌবনি হায়বদি লৈতে হায়বনি। সিফাইশিংসু য়ু থকচিল্লগা তৌরম্বা য়াই, মীয়ামসু য়ু থকচিল্লগা তৌবা য়াওরম্বা য়াই। মীয়াম অমগী রেল্লি চৎপা লাকশিন্নবা পুলিসশিংনা লো অমা ইনফোর্স তৌবা য়াই। লোগী ৱাংমদা মীওই অমবু চেল্লিবা গাড়ী অমগী মখাদা ইনশিনবদুদি চুম্মী হায়বা য়াদে। পুলিসশিংনা মোব জষ্টিস শীজিন্নৈ, নাওরীনা কাপ্পা পানবা য়াওবদগী মীগী চাকশঙ ফাওবা মী তান্নবা হায়বসি পুলিস ওইরিবা মীওইশিংগী পূক্লিং ৱাখলদা য়াওরিবা মোব জষ্টিসতা থাজরিবা ফিল্লিংদুনি। হায়বদি পুলিস ওইবীরিবশিংসু লো খঙদবদগী পংতৌ তৌশিনখিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া য়াওরম্বা য়াবা লৈ হায়বদুনি। মদুনি মোব কলচর হায়রিবসি।

পুলিস অমসুং লো কোর্টনা তৌবা থবক অয়াম্বদা থাজবা থম্বা ঙম্নরক্তবা, মতম চঙবা, পৈশা চঙবদগী মোব জষ্টিস ময়োল চোঙলকপনি, মতোন থোক্লকপনি হায়বসিনি। লৈঙাক্কী অশোনবা য়াল্লকপা মতমদা মোব জষ্টিস মরূ হুনবা তাবনি। জজ ওইরিবা, মিনিষ্টর ওইরিবা মীওইশিংগী ময়ূমদা হুরানবা চঙলকপা মতমদা লাউদবা তাবরা, তান্নদবা তাবরা, ফোটোদং কাপ্লগা কোর্টতা পীখৎলগা জষ্টিস ঙায়বা তাবরা?

ফুরুপ অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা কলেক্টিব ফিলিং অমা লৈবদু মোব জষ্টিস ওইনা লৌবদি য়াফম থোক্তে। হায়রিবা ফিলিং অসিগা মোব ক্রাইসিস খরগা মরী লৈনরকপদি য়াই। খুনফম খরদি মীতোপ চঙবা য়াদে হায়না কলচর ওইনা শাগৎলি, মী চঙলুবা থোক্লবদি মোব জষ্টিস অদুমক থোক্লকপা য়াই। হিংবা ঙম্নবা হোৎনবদা মোব জষ্টিস ইরোয়ননা লৈবসু য়াই হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। ঙসিগী খুন্নাই খরদা চনীং তাদবা লোগী চয়েৎনবা লৈবা ফীভম কয়ানা মোব জষ্টিস হেক্তা থোকপা য়াবগী ইথিল লৈনরি। লো খরা পংপান পানশিল্লগা মোব জষ্টিস মুত্থৎপা য়াগদৌবদি লৈতে। মথং তারকপদদি মোব জষ্টিসকী শক্তম হোংলক্লগনি, হেন্না শাথিবা ওইরকপসু য়াই, মী শিবগী চাং ৱাংখৎলকপসু য়াই। লাইসেন্স লৌরবা নোংমৈ মশীং হেনগৎপদি শোয়দ্রে, ফুরুপ খরদি হান্ননা নোংমৈ পায়বগী হৈনবী লৈবসু য়াওনবা লৈরবনি। হুরানবগী হৈনবী লৈরিবমখৈ মোব জষ্টিস মুত্থৎপা ৱাখিগনি, মোরেল ভেল্যু ৱাংনদ্রিবমখৈ মোব কলচর লৈখিগনি হায়বসি চুমখিগনি। লো খঙবা ৱাৎনরিবমখৈ মোব কলচর হিংখিগনি, পুলিসনা লো শেন্নবা শোয়রিবমখৈ মোব কলচর শাগৎনখিগনি। লৈঙাক অমনা চনীং তানা লৈবাক শেন্নবা ঙমদ্রিবমখৈ মীয়ামগী ৱাখল লৌশিংদা মোব কলচর লৈখিগনি। মোব জষ্টিস হায়বসিগী কোনেটেসন লাল্লি হায়না খল্লবসু জষ্টিস মখল অমা ওইনা অদুম লৈখিবসু য়ারিবনি। লৈবাক মচা তাবা মীয়াম অমনা ফজনা শেম শারবা মতমদতা মোব জষ্টিস হায়বসি মাঙখিবদি য়াই হায়ববু কাঙলূপ ফুরুপকী ৱাখলশিং অসি থাদোক্নদ্রিবমখৈ মোব কিল্লিংশিং অসিদি মুৎখিরোই। কাঙলূপ ফুরুপকী শীজিন্নরিবা ফিল্লিং অদুগা মোব জষ্টিসতা শীজিন্নরিবা ফিল্লিং অসিগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনবসু য়ারি। ঙাকপী শেনবীনবা লৈতবগী অতোন অতাগী ৱাখলদা লৈবগীসু মোব কলচর অমগা লোয়ননা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবসু য়াওবা য়ারিবনি। অরানবা মওং অমদা লম হেঞ্জিন্না লৈবশিংনসু মোব কলচর অমা শাগৎলগা লৈবা য়াওনরিবনি। লমহাং অমা মুন্নবদা মোব কলচর অমা হেক হেক উরিবসিনি। লম লৌনবা হোৎনরিবা অমসুং লম খোপচিনবা য়ারোই হায়রিবা অনীমক মোব কলচরগী ফিল্লিংস লৈনবা য়াওনরিবনি। লৈঙাক্লা মনা পংশিন্নবা ওইরবদি কনফ্লিক্টকী খম থেংনা, হাৎনবা-শুনবা অদুম য়াওনরক্লিবনি। লৈঙাক্লা কারল থুংদ্রবা মতমদা মীয়ামগী মরক্তা মোব কলচর অমনা লৈঙাক পুরিবগুম খন্নরকপসু য়াই। রিফ্যুজি কেম্প মনুংদা পোৎ পুবা গাড়ীশিংদগী পোৎ মুনবা য়াওরিবনি। পব্লিক্কী পোৎ ওইরবদি পোৎ মপূশিংসু মশাগী পোৎ কঞ্জনবা মোব অমা শাগৎপা মশানা তারকইবনি হায়গনি। মদুসু লৈঙাক্লা কনবীনবা থৌরাং লৈতবা ওইবদগী থোক্লকপা ৱাথোকনি হায়বসু য়ারিবনি। রাম জন্মভুমীদা বাব্রি মসজিৎ থুগায়খিবসি অচৌবা মোব জষ্টিস অমা ওইরি। চহী তরেৎ খুন্তাকপদা নুপীশিংনা মোব জষ্টিস শাগৎখিবা কান্নখি। মোব খুদিংমক অরানবা মিৎয়েংদা য়েংবসু য়ারক্তবা মতাং লৈবসু য়ারি। লৈঙাক্কা মীয়ামগা ৱাখল্লোন খেন্নরগা মোব জষ্টিস ওইনা উবসু য়াদবা লৈগনি। বোর্দর পিল্লর ৮১গী মনাক্তা মোব লৈবা য়াওখ্রে। লৈঙাক্লা লাল্লগা মীয়াম্না চুম্বগুম্না লৌনরি। মীয়াম্না য়ু য়োনবা ফারি, মোবনা চুল্লগা লৈঙাক্লা থবক শূদবা, থবক চুম্না তৌদবগী ওইগদৌরি। মোবশিং অসি লৈঙাক্লা থোকহনবা ওইরক্কদৌরি। হৌজিক হৌজিকমক মোব জষ্টিসনা তাম্থোকপীরবা ইমুংগী মীওই কয়া হঞ্জিন্দুনা লৈবা ফংদবা লৈরি। লানগেরা-চুমগেরা মোব জষ্টিস চৎনরি হায়বা তারক্লি। ওফিস কয়া মীয়াম্না থুগায়বা য়ারি।

করিগুম্বা দিমান্দ অমগী মীওই খরনা (মশক খঙদবসু য়াই) মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বীসি থিংলে হেক্তা হায়বা ঙম্নরি। লম্বীদা লাকপা গাড়ী কয়া থুগায়রি। লৈঙাক্লা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরি। মসিদি মোব জষ্টিস ওইদ্রিবরা। লাইশঙ অমগী মমাঙদা মীয়াম তিনবা কয়া'মা লৈরে, পুলিসনা লম্বী থৎলি। লো শীজিন্নবা হৈতবা হায়বসি মোব জষ্টিস চিংগদৌরি। লো খঙদবা মীশিংদি অমনা অমনা হায়বদা পংয়াদা য়াবা য়াওরক্কনি। খঙনবদা মীচং চঙবা হায়বসি মোব জষ্টিস থোক্লকপা য়ারিবনি, এন্টি মোব অমা অমুক শাগৎলকপা ওইথোক্তবা নত্তে। লো খঙদবা হায়বসি খুদোংথীনীংঙাইনি। লাইনীংদা মীচং চঙবা হায়বসি অফবা মী ওইফম থোক্তে। মোব ক্রাইসিস থোক্লবা শিনবগা মান্নগদৌরিবনি।

লম্বী থৎপশিং থিংবা ঙমদবা, মরম চাদবা শেনখায় কয়া থিংবা ঙমদবা হায়বসি মোব কলচর থিংবা ঙমদবনি। মোব হায়বসি ওর্গেনাইজ তৌবা নত্তে হায়রবসু ওর্গেনাইজ তৌবা মান্দবা হান্ননা শেম শারবা শাজৎ অমনা হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌবা মোব ময়াম অমা লৈরবনি। ওর্গেনাইজ তৌরবগুম্বনি, মোব নত্তে হায়বদি য়াদ্রবা লোগী ৱাংমদা চৎথবা অমনি। হৌজিক্তি মোব তৌবসু য়াম্না কমপ্লেক্স ওইনা সোভরেন্টি পৱারবু লো ওইনা নৎত্রগা হ্যুমেন রাইট ওইনা পানশিল্লগা মোব ওইনা শীজিন্নবা হৈনখৎলক্লে। লো অমসুং কোর্ট লৈ হায়বসি নীংশিংনবা মাল্লক্ত্রে। মদুগী থাক অমদা চঙশিল্লকপা হায়বসি মোব অগেনষ্ট মোব হায়বদু লাক্কদৌরি। পুলিসশিংগী মমাঙদা মীয়াম্না এক্বিজ ফুবা অদুম উনরিবনি। কাঙলূপ ফুরুপকী লান তৌনরি হায়নরি, লোনা য়াদবা ওইরবদি মোব চিংগদৌরি। মোব জষ্টিস অমদা মীওই লিশীং লিশীং হাৎনরি, লৈঙাক্লা থিংবসু ঙমদ্রি হায়গনি। কেস ওইনা লৌখৎলবদি কোর্ট অমনা করি জজমেন্ট পীগদৌরি, মীয়াম্না পীখিবা জজমেন্ট অদু (লানগেরা, চুমগেরা) চৎনদুনা লৈরিবগুম্বনি। ৱাহৈ অমদা লো লৈতে হায়বসু য়ারিবনি। লো লৈবা ঙমদবা মফমদা মোব জষ্টিস অদুমক চৎনগনি। লোগী মপাঙ্গল শোন্থবা মফমদা মোব কলচর হিংগৎলকপা হায়বসি নেচরেল ওইরিবনি। লোগী মপাঙ্গল কলহনবা তারকই।

তশেংনা লমদম অসি লো লৈরবা লমদম অমনি হায়বা লুশিল্লক্লি। লৈরমদবা, লাই অমগী মিংদা লম্বী থৎপা য়াবা, মদুদা মতেং পাংশিনবা হায়বসি লোবু লান্না শীজিন্নবনি, মোব জষ্টিস অমদা মতেং পাংশিনবনি। খঙনবদা মীচং চঙবনি, পৈশা চারম্বা য়ারিবনি। সেক্যুলর ওইবগী নত্তে; ফেবরটিজম, নেপোটিজম, মোব থোক্লবা শিনবা থৌশিলনি। লো খঙদবনি, লো শীজিন্নবা হৈতবনি হায়গনি।

লো মেকরশিংনা প্রোফেসনেল ওইরবনি হায়বা মীওই খরনা হায়বা খুদিং ফজদুনা লৈগদৌবনি হায়বা য়ারোই। মতম মতমগী হোংলক্লিবা ফীভম য়েংলগা অনৌবা লো শেম্বা ঙম্নফম থোকই। মদু ঙমদবা মতমদা মোব জষ্টিস অদুমক থোক্লক্কনি হায়বসিদি মশানা তারকপা ৱানি।

মোব জষ্টিস অমদা শিবা নাবা য়াওরকপা খুদিং মোব লিঞ্চিংনি হায়বগীসু অরুবা লাক্কদৌরি। কাঙলূপকী ঈরাংদা হান্ননা শিখ্রবশিংদা লো অনৌবসি পানবা য়াগদৌরিব্রা? মথংদা থোক্লকপা থৌদোক খুদিংদা মোব জষ্টিসকী লো পানবা য়াগদৌরিব্রা? লোদু কনানা এক্সর্সাইজ তৌগদৌরি হায়বগী ৱাহং কয়া থোক্লক্লি। লোদি অরায়বনি, মোব থিংবদি অরুবনি হায়বসি পূন্না খঙমিন্নবা চঙই।